FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.047837
US Dollar	73.913438
British Pound	102.697085
Australian Dollar	55.646165
Chinese Yuan Renminbi	11.481159
Japanese Yen	0.671044
Malaysian Ringgit	17.856789
Singapore Dollar	55.096859
South Korean Won	0.065369
Saudi Arabian Riyal	19.710250
Thai Baht	2.350979

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47320.00
Mumbai	–	Rs	47165.00
Delhi	–	Rs	47165.00
Kolkata	–	Rs	47960.00

GAS NEWS

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking up-to 10/05/21
Valid from 02/05/21
Home delivery only...
Contact no. 9089709738, 8794622868
Office timing 8.00AM to11AM will be delivery for 3days

M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto 23/03/2021
Valid from 20/03/21
Stock 306 nos.
Office contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705
Call timing 8 am to 12 noon

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO 08/05/21
VALID FRROM NIL
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING ONLY DATE 18/03/21
Sl.No.01 to 100
Time: 7am to 10am
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 am to 12:00 noon
BOOKING : 05.06.21
VALID : 10.05.21
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156(SMS/ WHATSAPP) 7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544,9089370369,9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:
Booking up to 02/04/21
Valid from 25/03/21.
#Every refill will be home delivered, pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries 9362661205
#For phone booking send SMS (Consumer ID & Name) to 7640848814

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 28/05/2021
Valid from : 06/05/2021
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Offi ce Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
1. Poumai Colony, Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam - 9863385995
2. Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei and Lamsang A/C etc. 8787857518
3. Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top7424085506
4. Laipham Khunou, Sangakpham, Nagaram, Dewlahland, Khoyathong, Nagamapal and Uripok Road, Namdunlong - 8414886475
5. Hatta, Tellipati, New Checkon, Ragailong, Wangkhei, Soibam Leikai, Kshetrigao A/C Kongba etc. 7005282449
6. Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung - 7005439154
7. Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Yaiskul, Moirangkhom and Singjamei A/C. etc. 8131832195
8. For, Complain and Enquiry Number - 8259969582
Time : 8.00 am. to 12.00 noon. 8730954041
Delivery time will take 4 days

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking:08-06-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo .
New Contact Office No. 6009392991,9362654114,03853560556.
Time 8:30 to 12:30
Those who haven't receive whatsApp no.9863624773. also available 19kg and 5kg. Please don't used the other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxxxxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For online payment use<Indane Oil One app> It's applicable for all distributors of IOCL.

কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরগী অৰাৎ-অপাশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮(ঐচএনএস): ককচিংগী কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরদা লৈবা এক্সরে মেছিনশিং চহী অনী হেন্না মথৌ তৌদনা লৈরে হায়না মিদিয়াদা য়াওরকখ্রবা মতুংদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী দি সী, দি গাংমৈনা হোস্পিটাল অসিদা লাক্তুনা অৰাৎ অপা কয়া ঙসি য়েংশিনখ্রে।

ভোইস ওফ ককচিং অমদি ভোলুন্টিয়র ফোর দিজাষ্টর রেস্পোন্দ ফোর্সকী থৌমীশিংগা লোয়ননা য়েংশিনখিবা অদুদা দি সী দি গাংমৈগী মায়কৈদগী হোস্পিটাল অসিগী এম ও ইনচার্জদা মথৌ তৌদনা লৈরিবা এক্সরে মেছিন অহুম অসি অথুবা মতমদা থবক তৌবা য়ানবা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎনবা খঙহনখি। হোস্পিটাল অসিগী হৌজিক লৈরিবা অৰাৎ-অপা কয়া অসিদা নৌনা শেমজিন-শাজিনবগী মথৌ তাবশিং অদুগী মরিক চুম্বা প্রপোজেল অমা অথুবা মতমদা থাগৎলক্লবা খঙহনখি।

অমরোমদা য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা ভোইস ওফ ককচিং অমদি ভোলুন্টিয়র ফোর দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী মায়কৈদগীসু ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অসি মহৈলোয়শঙ ওইবনা মতম কুইনা হাংবা য়ারোইহদবা অসিগী য়েংলগা কোভিদ থর্দ ৱেভ লাক্লবসু মায়োক্লবা ঙম্নবা অথুবা মতমদা দি সী ককচিংদা কোভিদ দেদিকেটেদ ব্লোক নৎত্রগা কোভিদ দেদিকেটেদ হোস্পিটাল অমা শাবীনবা দি সীগী মফমদা তকশিনখি।

ঙসি খোঙচৎ অদুগী মাঙওইননা অঙান চীং, ইকো পার্কতা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা মেনেজমেন্ট কম্মিটি অঙান চীং ইকো পার্ক ককচিংনা শীন্দুনা ককচিং ট্রেকর্স, টীম হেলমেট অমদি ভি দি আর এফকী অখন্নবা ভোলুন্টিয়র খরগা লোয়ননা অঙান চীং ইকো পার্ক ককচিংদা অঙ্গুর চারা ১৬ অমদি চমপ্রা চারা থাখ্রে। দি সী ককচিংগা মেনেজমেন্ট কম্মিটি অঙান চীং ইকো পার্ক ককচিংগী কোওর্দিনেট অমদি এ দি এ এমগী মায়কৈদগী য়েস এস ঐচঈ টি-শর্ট২ অমদি হৈবুং অমুনবা অমসু খুদোল তমখি।

চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচএনএস):

মালেম পূম্বদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভনা অৰা চৈথেং নংলবা মতম অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা মতেং পাংবগী ৱাখল্লোন্দা ঙসি পোরোম্পাৎ থৰান থাবা লৈকায়দা লৈবা সোসল ৱার্কর সৈখ নুরুল হসননা অনএমপ্লোইদ য়ুথ লর্নরস এসোসিএসনগী খূথাংদা পোরোম্পাৎ থৰান থাবা লৈকায়গী য়ূমথোঙ ৩০০ রোমদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি এ রোজিৎকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

মীওই অয়াম্বনা ৱানরবা মতম অসিদা মীয়ামগী খন্দুনা থেংনরিবা অৰাবা অসিদগী খরদং ওইরবসু কোকপা ঙম্নবগী পান্দমদা লৈকায় অসিদা সোসল ৱার্কর অসিনা মতেং পাংবীরম্বগীদমক এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী অনীশুবা কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লেপ্পা লৈতনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টগী মশিং হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা অনীশুবা বেদ ১০০ লৈবা কোভিদ-১৯ ক্যের সেন্টর (সী সী সী) অমা ঙসি মাঙ্গোলঙানবী কোলেজ, নিংথৌখোংদা এস দি ও বিষ্ণুপুর মোমোনি দোলি অমদি সী সী সী অসিদা দ্যুটি তাগদৌরিবী দা. চোংথাম গুনিতানা শঙ্গাখ্রে।

ঙসি অনীশুবা সী সী সী শঙ্গাবা অদুদা দি সী বিষ্ণুপুর কৃষ্ণ কুমার; এ দি সী বিষ্ণুপুর ঐচ বোবি শর্ম্মা, এদিসনল এস পি লুইখোম লানমিও; সী এম ও বিষ্ণুপুর দা. এন গ্যানেশ্বর অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি।

সী সী সী শঙ্গাবগা মরী লৈননা দি সী বিষ্ণুপুর কৃষ্ণকুমারনা হায়খিবদা ঙসি শঙ্গারিবা সী সী সী অসি ঙসিদগী পেসেন্ট এদমিট তৌবা হৌরগনি। সেন্টর অসিদা পূন্না ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ৩৭ অমদি দি-টাইপ সিলিন্দর ২০ লৈরে। অৰাৎপগী মতুং ইন্না সেন্টর অসি অপদেট তৌগনি অদুগা সী সী সী অসিদা ট্রান্সজেন্দরশিংগীসু সেপরেট রূম লৈগনি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা মরু ওইবা ফোকসতি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা মীশিং য়াম্না ভেক্সিন কাপথোকপনি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ভেক্সিনেসন সাইট ৯ লৈরি, মসিসু মশিং হেনগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি। মসিদা নত্তনা মোবাইল ভেক্সিনেসন টীম অমা শেমদুনা খুঙ্গং খূদিং চৎলগা ভেক্সিন কাপথোক্লবগী প্লানসু লৈ। মসিগী প্লান অসি অথুবদা ইগজিকুট তৌনবা কন্না হোৎনরি। মসিদা নত্তনা মী য়াম্না টেষ্ট তৌবা হায়বসু ঐখোয়গী মরু ওইবা টার্গেটনি। টেষ্ট অসি হোট স্পোট এরিয়া খনগৎলগা টেষ্ট তৌবা নৎত্রগা মী য়াম্না তিনবা মফমশিংদা চৎ-চত্তুনা টেষ্ট তৌবা, মসিনা পেন্দমিক অসি কন্ট্রোল তৌবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়খি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা সী সী সী অসিবু লিংখৎপদা মতেং পাংলকখিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লাইন দিপার্টমেন্টশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

সী সী সী হাংদোকপগা মরী লৈননা সী এম ও বিষ্ণুপুরনা হায়খিবদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল আইসোলেসন ৱার্দ অমদি হান্নগী লৌকোইপাৎতা লৈবদা সী সী সীগী বেদ কেপাসিটি অসি ৱাৎপনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা পেসেন্ট কয়া এদমিট তৌবা ফংদ্দুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মপান্দা পাকখল খন্দুনা লৈবা অমদি এম্বুলেন্সতা ফাওবা ওক্সিজেনদা লৈবা কয়ানি। মসি হৌজিক্তি অনৌবা সী সী সীদা হোংজিল্লগনি হায়খি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা বেদ ৫৫ লৈবা সী সী সী ১ লৌকোইপাৎ, বিষ্ণুপুরদা লৈখিবগা লোয়ননা আইসোলেসন ৱার্দ, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী দেদিকেটেদ বেদ ২০ অমদি হায় দিপেন্দেন্সি য়ুনিট, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টসশিংগী বেদ ৩সু লৈরে।

ভি দি এফ পর্সনলশিংগী ফেমিলিশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচএনএস): এস পি থৌবাল দা. এস ইবোমচা, এম পি এসকী লমজিং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসননা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ভি দি এফশিংনা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা অচৌবা দায়ত্ব লৌবতা নত্তনা কোভিদ-১৯ ৱারিয়র অমা ওইনা মথৌ তৌবদা পোজিটিভ ওইবদগী হৌজিক হৌজিক কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লায়েং চথরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভি দি এফ পর্সনল ৫গী ফেমিলিশিংগী ময়ূম ময়ূমদা ঙসি চত্তুনা চেঙ, হৱাই, থুম, থাওনচিংবা য়েন্থোকপগী থৌরম অমা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর থৌবালগী এদিসনল এস পি (ওপস)/থৌবাল সচিদানন্দ সোইবম, এম পি এস মশামক্কা অমদি কেসিয়র পিঐচ হেম্বা অমসুং এসোসিএসনগী লীদরশিংগা খূৎশম্নদুনা ঙসি হৌদোকখ্রে হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে বিক্রমনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

ইবোমচা ১দি হেরোজিৎনা ইম্ফাল ৱেষ্ট...

লামায় ১গী মখা... ফেরজোলগী এস পি, সেনাপতিগী এদিসনেল এস পি ওইরম্বা রবি চৌধরিনা কামজোংগী এস পি, মঙাশুবা এম আরগী সী ও ওইরম্বা কে এস ঐচ সিবকান্তনা অহানবা এম আরগী সী ও, তমেংলোংগী এদিসনেল এস পি ওইরম্বা কার্তিক মলাদিনা কাংপোকপীগী এস পি, অহানবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্যান্দেন্ট ওইরম্বা সিবানন্দ সুরবেনা চুড়াচান্দপুরগী এস পি, বিষ্ণুপুরগী এস দি পি ও ওইরম্বা শ্রে ভাটসনা ১১শুবা আই আর বিগী দেপ্যুটি কম্যান্দেন্ট ওইনা, এস দি পি ও লম্লাই ওইরম্বা ক্ষেত্রিময়ূম রবিকুমারনা ২শুবা এম আরগী দেপ্যুটি সী ও ওইবগী মথক্তা ২শুবা এম আরগী লুক অফ্টর চার্জ ওফ সী ও, সেনাপতিগী এস দি পি ও ওইরম্বা ইঙাৱালে প্রভিন দদাসোনা সেনাপতিগী এদিসনেল এস পি অমসুং সী এ আর ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি এস পি অর্পন য়দুবন্সিনা তমেংলোংগী এদিসনেল এস পি ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি।

ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রবা এম পি এস ওফিসরশিং অদুগী মনুংদা অহানবা এম আরগী সী ও ওইরম্বা এম রাজেননা এম পি টি সীগী এ দি, ৮শুবা আই আর বিগী সী ও ইন-চার্জ ওইরম্বা এল দেবেননা চান্দেলগী এস পি ইন-চার্জ, উখ্রুলগী এস পি ইন-চার্জ ওইরম্বা কে অজিৎ কুমার শর্ম্মানা ত্রাফিক্কী এস পি ইন-চার্জ, ২শুবা আই আর বিগী সী ও ইন-চার্জ ওইরম্বা টি থোংজাপাওনা এম পি টি সীগী এ দি ইন-চার্জ, কামজোংগী এস পি ইন-চার্জ ওইরম্বা সী ঐচ অদানি মাওনা হোম গার্দসকী সী ও ইন-চার্জ, এম পি টি সীগী এ দি ইন-চার্জ ওইরম্বা লেনিন লমাবম্না স্পেসল এ আই জি (ওপরেসন্স) ইন-চার্জ, ত্রাফিক্কী এস পি ইন-চার্জ ওইরম্বা খোইস্নাম শর্মানা ৩শুবা আই আর পিগী সী ও ইন-চার্জ ওইনা, ৭শুবা এম আরগী সী ও ইন-চার্জ ওইরম্বা হোপসন সাপমনা বিষ্ণুপুরগী এস পি ইন-চার্জ, নাবকী এস পি ইন-চার্জ ওইরম্বা ৱাথম বাসুনা এস আই টিগী এস পি ইন-চার্জ, এম পি টি সীগী এ দি ইন-চার্জ ওইরম্বা দব্লিয়ু সিংহজিৎনা স্পেসল এ আই জি/মোর্দনাইজেসনগী ইন-চার্জ, এস আই টিগী এস পি ইন-চার্জ ওইরম্বা রাসিনি য়েংখোমনা ৮শুবা আই আর বিগী সী ও ইন-চার্জ, ২শুবা এম আরগী সী ও ইন-চার্জ ওইরম্বা পোলেম মঞ্জিৎনা স্পেসল ক্রাইমস এন্দ দিপার্টমেন্টেল কেসকী এস পি ইন-চার্জ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি ইন-চার্জ কে মেঘচন্দ্রনা নাবকী এস পি ইন-চার্জ, সী আই দি (টেক্নিকেল) গী এস পি ইন-চার্জ ওইরম্বা বেমবেম নোংথোম্বমনা সাইবর ক্রাইমগী এস পি ইন-চার্জ, বিষ্ণুপুরগী এস পি ইন-চার্জ ওইরম্বা প্রিয়াদর্সনি লাইশ্রমনা ২শুবা আই আর বিগী সী ও ইন-চার্জ, হোম গার্দসকী সী ও ইন-চার্জ ওইরম্বা সরাংথেম অসনানা প্রোজিক্যুসনগী এস পি ইন-চার্জ, থৌবালগী এস পি ইন-চার্জ ওইরম্বা ডা. এস ইবোমচানা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি ইন-চার্জ, ফেরজোলগী এদিসনেল এস পি ওইরম্বা এস দেভিদনা স্পেসল এ আই জি (হাওজিং) ইন-চার্জ, চান্দেলগী এদিসনেল এস পি অমসুং লুক অফ্টর চার্জ ওফ এস পি চান্দেল ওইরম্বা এন মধুনিমাইনা ৫শুবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্যান্দেন্ট অমসুং ৫শুবা এম আরগী লুক অফ্টর চর্জ ওফ সী ও, তেংনৌপলগী এদিসনেল এস পি (ওপস) টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বীনা রেলৱেগী এদিসনেল এস পি অমসুং রেলৱেগী লুক অফ্টর চর্জ ওফ এস পি অমসুং ২শুবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্যান্দেন্ট ঐচ কুমারনা ১১শুবা আই আর পিগী দেপ্যুটি কম্যান্দেন্ট ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি হায়রি।

'দেল্টা ভেরিয়েন্ট'কী কেস ১৮...

লামায় ১গী মখা... হোস্পিটালদা মীওই ১ লৈখিদবনি হায়রি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১২ অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১০৩৩ শুরে হায়রি।

লোয়ননা ঙসিগী ওইনা মীওই ৪৪৭ দিসচার্জ তৌখি। মসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী মীওই ৩২৪ অমসুং রিমসতগী মীওই ১৫ দিসচার্জ তৌরগা লেমহৌরিবশিংনা জেনিমস অমসুং কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদগী দিসচার্জ তৌখিবনি হায়রি।

কন্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিগী মতুংইন্না ঙসি ফাওবদা থেংনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৬২,৯৪৬ শুরে। অদুগা লায়না অসিদগী ফগৎলকখিবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীংনা ৫২,৬৬৭ শুরে। অদুগা হৌজিক লৈরিবা এক্টিভ কেসনা ৯,২৪৬ শুরে হায়বগা লোয়ননা লায়না অসিদগী ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮৩.৬৭তা লৈরে হায়রি। লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৪,৮৫,১২২ শুরে হায়রি।

চয়োল অহুমগী মনুংদা রিমসকী...

লামায় ১গী মখা... উনহনবদগী লাইথোক্লা লৌবা য়াদবদগী লায়েংশঙ অসিগী ডোক্তর অমসুং ষ্টাফশিংনা অঙন্ব থাক্তা হোৎনদুনা মখোয়বু অঙাং উনহনখিবনি হায়রি। লায়েংশঙ অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টাফশিংনা ফোঙদোক্নরকখিবগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা লাইচৎ অসিবু মায়োক্নরিবা রিমসকী অপূনবা ডোক্তর, নর্স অমসুং এটেন্দেন্ট ফাওবগী মনুংদা পুন্না হেল্থ ক্যের ৱার্কর ২৩৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। অদুবু চেকশিনবা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা মীয়ামগীদমক হনবা লৈতনা হোৎনরকপদগী ঙরাং ফাওবদা অপূনবা মীওই ১১,৬৬৮ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে। লায়েংশঙ অসিদগী নাবা ফরদুনা ময়ূমদা হনখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ২,৭৯৫ শুরে। দিসচার্জ তৌখ্রবা পেসেন্টশিংগী মনুংদা এয়র এম্বুলেন্সতা পুবদা খুদোংচাদবদগী রিমসতা লায়েংলগা ফহুনখিবা চীফ সেক্রেটরি ফাওবগী কেস পনবা য়াই হায়রকখি। অদুগা ঙরাং ফাওবদনা রিমসতা পাঙথোকখিবা আর টি পি সী আরগী টেষ্ট ২২,৭৯৯ শুখ্রে। অদুগা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টনা মীওই ২৯,৮১১ তৌখ্রে হায়রকখি। লোয়ননা রিমসকী মায়কৈদগী তমথীরবা লায়না অসিবু থেংননবা হোৎনবদা অশোয়বা, অহোবা অমত্তা লৈহন্দনবা ডোক্তর, নর্সশিং য়াওনা ষ্টাফ পুম্নমক্না হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোক্নরকখি।

সী এমনা আয়ুশ-৬৪ লোঞ্চ...

লামায় ১গী মখা... পেসেন্টশিংদা ট্রিপ্পল লায়র মাস্কশিং, হেন্দ সেনিটাইজর অমসুং অহেনবা হিদাক-লাংথকশিং ঙসিদগী হৌনা পীরগনি হায়খি।

লোয়ননা পেন্দমিক্কী লুরবা তানফম অসিদা অশোয়বা খত্তমক পুথোক্তুনা অরানবা প্রোপেগেন্দা তৌবগী মহুৎতা ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিংগী পূক্নিং থৌগৎপা কন্সত্রক্টিভ ক্রিটিসিজমশিং পীবীয়ু হায়নসু মীয়ামদা আপীল তৌখি। মীয়ামগী পুন্সি কনবনা লৈঙাক্কী মাঙজিল থাবা থৌদাংনি হায়বগা লোয়ননা মীয়াম্না অরানবা ৱাফমশিং থাজবীগনু অমসুং অথুবা মতমদা হিদাক কাপথোকপীয়ু হায়খি।

লোয়ননা মীয়াম পুম্নমক্না কোভিদকী চৎন-কাঙলোন অমদি গভর্ণমেন্টনা পীবা এস ও পিশিং ঙাক্না চৎপীদুনা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিদগী ঙাকথোক্লবা হেন্না চেকশিল্লসি হায়খি। হিদাক কাপথোক্লিবা ফাওবদি মীয়াম তীনবা মফমদা চৎথোক্তবা হায়বসি মীয়াম্না তৌফম থোকই হায়রদুনা ষ্টেকহোল্ডর পুম্নমক্কী মতেং পীবীয়ু হায়বগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু পেন্দমিক অসি শনেদারকপগী মায়োক্তা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলি হায়খি।

পনবা য়াবদি, অয়ুশকী য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মমাঙ থাগী ৭তা অয়ুশ-৬৪ অসি লৈবাক শিনবা থুংনা য়েন্থোক্তুনা মসিগী কান্নবা ফংহন্নবগীদমক লোঞ্চ তৌখিবনি।

ঈভফম অমসুং ঐচ আর এনা জুন...

*লামায় ১গী মখা...*জুন ১৮, ২০০১গী নুমীৎ অদুদা ইম্ফাল খক্তদা সী আর পি এফনা নোংমৈ কাপ্পদা মীয়ামগী খোঙজংদুদা শরুক য়াখিবা মীওই ১৪ নোংমৈনা পান্দুনা শিখি। অদুগা মীওই ৮০০ হেন্না শোকহনখি। জুলাই ২৭, ২০০১দা মীয়ামগী ঈহৌ অদুগী মতুংইন্না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা এন এস সী এন-আই এমগা সাইন তৌনখিবা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্টতগী 'ৱিদাউথ টেরিটোরিএল লিমিট' হায়বা ৱাফমশিং লৌথোক্লিঙৈগী মরক্তসু মীওই মরিগী পুন্সি মাঙহনখি হায়রি।

অদুবু ঈভফম অমসুং ঐচ আর এনা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা ক্রিমিনেল পিটিসন অমগী জুলাই ১৪, ২০১৭তা পীরকখিবা ওর্দরদা জুন ১৮গী থৌদোক অদুগী য়াওনা কেস ১৮বু সী বি আইদা থিজিন্নবা খঙহল্লকখি। জুন ১৮গী থৌদোক অদুগী মতাংদা সী বি আইনা সী আর পি এফকী ৮১ অমসুং ১২১শুবা বট্টালিয়নগী পর্সনেল খরগী মথক্তা কেস লৌখৎতুনা ইনবেষ্টিগেসন চথখি। অদুম ওইনমক সী বি আইগী মায়কৈদগী ওগষ্ট ১৩, ২০২০দা কোর্টতা পীখৎলকখিবা কেস অসিগী ফাইনেল রিপোর্টতদি নীংবা কায়নিংঙাই ওইখি হায়রি।

সী বি আইনা থৌদোক অদুগী মতাংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টতগী মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং অমত্তা লৌখিদে হায়রদুনা মখোয়না থাগৎলকখিবা ফাইনেল রিপোর্ট অদুগা ঈরোয়ননা হৌজিক ওফিসল ইন্সটিট্যুসনশিংদা লৈরিবা চৎনবীশিং অসিদগী পুৱারী ওইহৌরগদবা থৌদোক অদুগী মরী লৈনবা ইভিদেন্স পুম্নমক য়োক্তুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈরকপদগী থৌদোক অদুগী মতাংদা উপেন্দ্র কম্মিসন ওফ ইনক্বারিনা পীবা রিপোর্ট অদু অমুক হন্না নমদুনা ফোঙদোকপনি। মসিনা মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ অদুগী অচুম্বশিং মাঙহন্দবা ওইরসনু হায়খি।

দেল্লীদগী ফারকখিবা কনার্জিৎ পুলিস কষ্টদিদা...

*লামায় ১গী মখা...*অকোনবগী কেস অসিগীসু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌদুনা থল্লকখিবগী মতম লোইরদুনা ঙসি পুলিসকী মায়কৈদগী মহাক্কী মরী-মতা থোকপা মীওই অমগী মোবাইল ফোনগী খুথাংদা ভিদিও কন্ফরেন্সিংদা সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখি। পুলিসকী মায়কৈদগী মহাকপু জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবীনবা প্রেয়র তৌরকখি।

অদুম ওইনমক মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল জানকিনাথকী মায়কৈদগী পুলিসকী প্রেয়র অদু ওবজেক্সন তৌরদুনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা কে কনার্জিৎপু বেল পীবীনবা প্রেয়র তৌরকখি। লোয়ননা পুলিস কষ্টদিদা লৈরিবা পোজিটিভ ওইরক্লবা মহাকপু রাজ মেদিসিটিদা এদমিট তৌদুনা লায়েংজগে হায়বা ৱাফমশিং কোর্টতা থমখি। লোয়ননা ৱাফম অদুদা পুলিসকী মায়কৈদগী অয়াবা পীরক্তে হায়নসু ফোঙদোকখি। অদুবু কেস অসিগী আই ওগী মায়কৈদগী ৱাফমশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা অৰাই-অখুম তৌনখি। অদুম ওইনমক কোর্টনা নাকল অনীমক্কী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা মহাকপু জুদিসল কষ্টদিদা মথং থাগী ২ ফাওবা রিমান্দ তৌখি। অদুবু মহাক্কী হকচাংগী ফীভমগী মতুংইন্না করিগুম্বা মহাক্কী ইমুংগী মায়কৈদগী রাজ মেদিসিটি নৎত্রগা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা মখোয়না থৌদাং লৌরগা লায়েংজগে হায়রক্লবদি পুলিস নৎত্রগা জেল ওথোরিটিনা অথিংবা পীদনবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

অমরোমদা, পাউচে অসিনা জেল ওথোরিটিদগী ফংবা পাউদদি মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাগী ওইনদি কোভিদ পোজিটিভ পেসেন্ট অমত্তা লৌদে। জেল অসিদা রিমান্দ তৌরকপা মীওইশিং আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌরগা নেগেটিভ ওইরবা মতমদা লৌশিল্লি। করিগুম্বা নেগেটিভ ওইরবসু জেল মনুংগী সেক্তর অমা তোঙান্না থমদুনা জেল থাজিল্লক্লিবা মীওই অদুবু য়ামদ্রবদা নুমীৎ ১৪নিদি আইসোলেসন তৌদুনা থল্লক্লি হায়রকখি।

পোষ্ট কোভিদ পেসেন্ট অমদগী...

*লামায় ১গী মখা...*অমসুং নেসেল কেভিটিবু তোঙানহল্লিবা অপাবা ৱাল অদুবুদি তেক্ত-কায়দনা লৈরমখি। ওপরেসন অদুনা পেসেন্ট অদুদা লৈরম্বা ম্যুকোরমাইকোসিসকী মহিক পুম্নমক লৌথোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ওপরেসন মতুংদা পেসেন্ট অদুগী ফীভম তেক্ত-কায়দনা লৈরে হায়রি।

অমরোমদা, লাইফ ইন্স্যুরেন্স কোওপরেসন ওফ ইন্দিয়া (এল আই সী আই)না সী এস আর এক্টিভিটিশিংগী মনুং চন্না ঙসি রিমসতা পি পি ঈ কিট ২২৫ দোনেট তৌরম্লে হায়রি। কিটশিং অদু মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর ঐচ প্রিয়োশখিদা এল আই সী, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী ব্রাঞ্চ মেনেজর এল লৌভুমনা খূৎশিন্নখিবনি। থৌরম অদুদা রিমসকী এসিষ্টেন্ট মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. ৱাই অরুনকুমার অমসুং এসিষ্টেন্ট ব্রাঞ্চ মেনেজর কে ঐচ সুচিত্রা অমসুং অতৈ ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি ঙরাংসু সী এস আর এক্টিভিটিশিংগী মনুং চন্না পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক, লম্ফেলপাৎ ব্রাঞ্চ (রিমস কেম্পস)না লায়েংশঙ অসিগী আই সী য়ুদা শীজিন্নবগীদমক ইনফ্যুজন পম্প ৩ দোনেসন তৌখিবনি। পম্পশিং অদু রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তদা বেঙ্ক অসিগী চীফ মেনেজর নিরমলা ঙাংখম অমসুং সিনিয়র মেনেজর লুৱানখুম গুইতেনা খূৎশিন্নখিবনি। থৌরম অদুদা বেঙ্ক অসিগী মণিপুরগী কোওর্দিনেটরসু ওইরিবা চীফ মেনেজর ষ্টেভান আইমোলসু শরুক য়াখি। লোয়ননা রিমসকী দেপ্যুটি মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর টি ঐচ সচিনদেব অমসুং এসিষ্টেন্ট মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. ৱাই অরুনকুমারসু শরুক য়াখি। লোয়ননা রিমসকী দিরেক্টরগী মায়কৈদগী পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক অমসুং এল আই সী আইবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

কে সী পি-এম সীগা মরী...

লামায় ১গী মখা... চেরোল অসিনা হায়, হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা লো এনফোর্সিং এজেন্সীনা মীচমশিংবু শেংদবা লালহৌবা ওন্থোকপীবগী হৈনবী অসি ঙসি-ঙরাংতগী ওইনা চত্থরকপা থৌওং নত্তে। অসিগুম্বা অসিদা কৈরাও এ সীগী মায়কৈ অদোমগী মীয়াম্না থোইনা ঙকফম থোক্তে। অদুবু ফারিবা মীওই অনীসিগী মথক্তা লূপ অসিগী স্পেসল টিম ওপরেসন মঙালনসু মমুৎ তানা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবদি লৈরি হায়রি। লোয়ননা মীয়ামগী লৈঙাক পায়রিবা লুচিংবনসু দর্টি পোলিটিক্স মানবা মীফা-মীপুন অসিদা অকনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। অসিগুম্বা থবকশিং অসিদা শৌগৎফম থোক্তে। অকি-অখঙ নংহল্লবা চমজরবী নুপী ওইবী কয়াদগী শিন্থখিবা মীৎকী পিগী মমল চপ চানা ঈকায় খুম্নগদবনি। কে সী পি (নোয়োন) অমদি কে সী পি-এম সী (প্রোগ্রেসিভ) অনীসি নত্তনা অতৈ অতোপ্পা কে সী পি ফেক্সন অমত্তা লৈতে। করিগুম্বা মখা তানা মীচম ফাদুনা মরাল থংজিন্নবা হোৎনবদা কে সী পি-এম সী পকশিল্লক্লবদি পার্টিনা তুমীন্না লৈথোক্লোই। মীচম ফাবদা থৌনা ফরিবা অদু কে সী পি-এম সীগী মেম্বরনি হায়না লাউথোক্কনি। কে সী পিবু ফুরিৎখাউদা হাপ্পুনা মীয়ামদা মিত্রং শান্নবা লেপকদবনি। লৈবাক মীয়াম্নসু মথোং হুক্তবা অতোপ-অতোপ্পা য়াওল্লুপশিংদা লৈরম্বদগী সরেন্দর তৌদুনা বিষ্ণুপুর সরেন্দর কেম্প, ককচিংগী ইন্দিয়ন আর্মি কেম্প, বিষ্ণুপুরগী চোথে ভিলেজগী কেম্পতা চঙজদুনা লৈরিবা মীওই খুজোক খরদা মোবাইল হেন্দ সেট মখল কয়া পায়হন্দুনা ওগষ্ট ১৫, জন্যুৱারী ২৬ অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মির ষ্টেটনচিংবা মফমশিংদা লালহৌবগী এটেক্তা ইন্দিয়ন আর্মি শিরবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মালেমগী লৈবাক মীয়ামদা অকল-অরিং শানবা হোৎনবদা কংলৈ লমদম অসিদা হেক হেক ওনশিন্দুনা ঈকায় খঙদনা কং কোৎপগী থবক চথদুনা লাক্লি হায়রি।

অসিগুম্বা কং কোৎনবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা সরেন্দর তৌদুনা লৈরিবা ঙায়োক চফুগী ঙা ওনখ্রবা ইৱৈচাশিংবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্ননবা হোৎনবদা নেপাল, ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশকী নম্বরগী ৱাটসএপ কয়া শীজিন্নদুনা লৈবাক মীয়ামদ মায়খুম উপহল্লক্লি। অদুগা চুম্না য়াওল লাম্থেং চঙশিল্লিবা লূপ কয়াবু মরিং-মরাংনা উহনবা শিল্লকপা লেপত্রে হায়বা চেকশিন ৱাফমসি ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হান্না কে সী পি-এম সীদা মচেৎ তারম্বা কয়াশিং অদু ঙসিদি মচেৎ মকায় হায়বা এম সী অমমুক লৈত্রে। মতম খরা এম সীগী মায়খুম উপ্পুনা ওইজবা থিবা, য়েক্লবনা থাদোকপা মীওই অমা অনীনা অশেংবা শঙ্গোমদা ঈশিং য়ানশিল্লম্বগুম্না লৈরম্বদুসু মৈশা ফংবা মতমদা তুম্না মাঙখিদুনা কে সী পি-এম সী ঙসিদি মশেক মঙাল থোকপা লূপ অমা ওইনা কংলৈপাক্কীদমক য়াম্না প্রোগ্রেসিভ ওইনা লেপ্লি হায়রি।

কেক্রুপাৎকী খুভমদা লৈ কৎলিবা খুৎ অসি মণিপুরগী অপূনবা শক্তম...

লামায় ১গী মখা... মুকুবা, অৰাই-অখুম তৌনবা মতাং ময়াম অমা লৈখ্রে। অদুবু মদুগী কান্নবা করিসু লৈত্রি হায়রদুনা কান্নবসু লৈরোই। মরমদি মণিপুর হায়বসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা পুন্না ঙাকমিন্নগদবনি হায়খি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কাঙলুপ/ফুরুপতা য়ুন্ফম ওইবা লালহৌলূপ খরা শীজিন্নরগা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগায়নবা হোৎনরিবসি মণিপুরগী মীয়াম্না খঙমিন্নসি অমসুং মসিদগী চেকশিনমিন্নসি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী থৌশিলদা চৎলিবা ফুরুপতা য়ুন্ফম ওইবা লালহৌবশিংসু মখোয়গী খোঙথাং অদু চুম্লিব্রা, ওইথোক্তদ্রা হায়বসিদসু ৱাখল খন্থবীয়ু। নীংথিনা নৈনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি। হৌজিক কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক লৈবগী অপূনবগী শক্তমদা দিবাইসিভ গেম শান্নবা খরা লেপ্পনি। পেন্দমিক অসি লোইবগা মণিপুরদা করি তৌরক্কদোইনো হায়বসি খঙবা ঙমদ্রিবা ৱাফম অমনি। লমদমসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ খরগী খুৎলায় পায়বা লালহৌলূপশিং শীজিন্নরগা অপূনবা শক্তম থুগায়নবা হোৎনরিবা অসিগী মথক্তা হৌজিক্তি পোলিটিসিয়ন কয়া শীজিন্নরক্কদ্রা হায়বসিদা মীয়াম্নসু মীৎয়েং থম্মিন্নরসি। লমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাকমিন্নগদবনি। ঐখোয়গী তুংগী লাইবক ঐখোয়না লেপমিন্নসি। ঐখোয় মশেল নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবা নত্তনা ঐখোয়গী তুংগী লম্বী অমত্তা লৈরোই হায়খি।

কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা হন্দক চহীগী মীয়াম হুপ্পা শরুক য়াবা ঙমখিদবা অসিগীদমক্তা নুংঙাইতবা অমা থম্মোয়দা লৈহৌরে হায়বগা লোয়ননা মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মতম কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগায়নবা হোৎনরক্লগা লাক্লিবা অসিদা খরা পূক্নিং চঙনা লৈবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চহী কয়া মোইথেম তৌদুনা থল্লিবা লালহৌলূপশিংসু নৌহৌননা ৱাখল খন্থবা মতম ওইরে। মরমদি মুক্নবদা শিখিবা, শোকখিবসি লমদমসিগী মীওই ঙাক্তনি। ঙসি জুন ১৮গী শেংলবা নুমীৎ অসিদা অদুঙৈ কুমজা ২০০১গী মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্নবা খোঙজং চঙশিনবদা থৱায় থাখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংনা লাইরম্লেন্দগী মীয়ামদা থৌনা লিংজেল পীবীবা ওইরসনু হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা সুনিল করামনা ঐখোয় মশেলগী তুংলমচৎকী য়েংলগা লম্বী য়াৎননবা হোৎনবদা ঐখোয় মশেলগী ৱাখল্লোন পুনশিনবা চঙই। ঐ-ঐখক্কী ৱাখল্লোন্দা হিংমিন্নবা তারবদি ইরমদমসিদা নুংঙাইরে হায়বা ফুরুপ লৈরোই। ফুরুপ পুম্নমক ৱামিন্নগনি। ফুরুপ অমা ৱাবদা ফুরুপ পুম্নমক ৱাগদৌরিবনি। ফুরুপ অমা নুংঙাইবদা ফুরুপ পুম্নমক নুংঙাইবদি ওইরোই। হৌজিক চহী ২০ শুরক্লবা ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না অপূনবগী শক্তমদা শীংনবা লেপত্রি। অদুবু অপূনবগী শক্তম ঙাক্তুনা কুমজা ২০০১দগী ঙসি ফাওবদা লৈরক্লি। অপূনবগী শক্তমগীদমক্তা লৈখিগনি হায়বা অচেৎপা অমগা লোয়ননা লেপ্লি।

ওবজার্ভেন্স কম্মিটিগী কনভিনর কে ঐচ অথৌবনা ঙসিগী থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা এন এস সী এনগী পান নাগাগী ৱাখল্লোন অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা অমদি গ্রেটর নাগালেন্দ অমগীদমক মণিপুরদগী লম শেৎতোক্নবা হোৎনরকপা খোঙথাং অদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না অয়াবা পীবা থৌওং অদুদা হৌনরুবা তৌদনা থৱায়না পোন্থা পীখিবা নুমীৎনি। য়েলহৌমীশিংগী কাংখুল মুখৎনবা শরৌ লাং অমনি। অদুনা মণিপুরগী পুৱারীগী লৈমায়দা কোকপা য়াদনা লৈহৌরগনি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ২০লকশুবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসিদা মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বগী খোল্লাউনা লমজিংদুনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং, তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী লুচিংবশিং, মীয়ামগী লূপশিংগী লুচিংবা অমদি মীহুৎশিং লোয়ননা শক্লাইরবা-শক্লাইরবী মীওই কয়াসু নীংশিং খুভম অসিদা লাক্তুনা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

থৌরমগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী ইমুংগী মীওইশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎলদুনা অঙন্না খুদোল তমখি। রূপ-রাগগী ট্রুপতা থাবা ঈশৈনা থৌরম হৌদোকখিবগা লোয়ননা সুর্টি সঙ্গমগী ট্রুপতা থাবা ঈশৈনা থৌরমগী শৈরোই ঈশৈ ওইখি।

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
CRASH COURSE 2021
For NEET (Medical) Aspirants
Admission form & Prospectus is available Online
➢ Last Date of Admission : 29th June., 2021
➢ Class commencement from : 1st July., 2021
For Admission & details please
Visit Our Website :www.cometcoaching.in
Special Features
☞ Classes for all subjects everyday for 6 days a weak through recorded videos & Zoom Live classes (Monday to Saturday).
☞ Assessment test every week on sunday (180 Questions within 3 hrs).
☞ After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
☞ Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
☞ Course duration :- 2 months(likely to be changed, depends on NEET 2021).
☞ Study Materials will be provided.
SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS
☞ Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X 2019 Batch (Limited seats)
☞ Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X 2019 Batch (Through Screening Test)
☞ Fee concessions for COMET School students (Limited seats)
FIRST COME FIRST SERVE
HL-B/6999/18,19,21,23&25